# ইন্দিয়াগী আর্চর বোম্বেলা, অতানু অমসুং দিপিকা রাউন্দ ওফ ৩২ য়ৌখ্রে
# মরাকানা সহরনা ৩১ শুবা ওলিম্পিক গেমসকী হৌদোকফম ওইরগনি




*রিও, ওগষ্ট ৫ঃ*

৩১ শুবা সম্মর ওলিম্পিক গেমস ব্রাজিলগী সহর রিওদা লৈবা মরাকানা ষ্টেদিয়মদা হৌদোক্লবা শেম-শাবা লোইখ্রে। ঙসি পাঙথোকখিবা আর্চরি ইভেন্টকী প্রিলিমিনরি রাউন্দদা ইন্দিয়াগী বোম্বেলা দেবী, দিপিকা কুমারী অমসুং অতানু দাস শান্নরোই ৬৪ গী রাউন্দদা মায় পাক্কুনা শান্নরোই ৩২ গী রাউন্দগীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রে।

রিও দি জেনৈরো সহরদা লৈবা মরাকানা ষ্টেদিয়মদা ৩১ শুবা সম্মর ওলিম্পিক গেমসকী হৌদোকপগী থৌরম অদু হয়েং অয়ুক পুং ৪.৩০ দা পাঙথোক্লগনি।

হায়রিবা ওলিম্পিক গেমস অসিনা সাউথ অমেরিকা কন্টিনেন্টকী ওইনা অহানবা ওলিম্পিক গেমস ওইগদৌরিবনি। ওগষ্ট ৫ দগী হৌরগা ২১ ফাওবা চত্থগদৌরিবা গেমস অসি তোঙান-তোঙানবা হিরম কয়াদা অৱাৎপা লৈ হায়না কমপ্লেন তৌরকখিবা অমদি জিকা ভাইরসকী চিংনবা লৈখিবা পুন্মমক অদু নাকোইননা থন্নগা শান্নরোই ১১,০০০ হেনবনা সহর অসিদা চহী ৪। ৪ লৈরগা পাঙথোকপা মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা শান্নবগী কুম্মৈ অসি পাঙথোক্লগনি।

ভাবক ৫০,০০০ হেন্না চনবা ষ্টেদিয়ম অসিদা মালেমগী লুচিংবা কয়া য়াওনা হৌদোকপদগী থৌরম অদু মীৎয়েং তাগদৌরিবনি।

পনবা য়াবদি ওলিম্পিক গেমস হৌদোকপগী থৌরমদা ওলিম্পিক্সকী মৈরা অদু চুননবা মাঙজৌননা শেম শাদুনা লৈনখিবা মালেমগী ফুটবোলদা নিংথৌনি হায়না লৌনরিবা পেলে মশাগী অশোকপা অমা লৈবা মরম্না ষ্টেদিয়ম মনুং অদুদা মৈরা চুখৎপগী থৌরম অদুয়াওবা ঙম্লারোই ওইরি।

ব্রাজিল লৈবাক্না চহী অনীগী মমাঙদা ফুটবোল মশান্নগী খ্বাইদগী চাউবা টুর্নামেন্ট ফিফা ২০১৪ পাঙথোকখিবা অদুগী মতুং হয়েং হৌগদৌরিবা ওলিম্পিক্স অসিনা লৈবাক অদুদা পাঙথোকপা মালেমগী অচৌবা কুম্মৈ অমা ওইগদৌরিবনি।

ওলিম্পিক্স অসি য়ুম্বু ওইননবগী হোৎনরকখিবা লম্বেলদা থেংনখিবা অৱাবশিং অমদি য়ুম্বু ওইবগী অয়াবা ফংলবা মতুং লাকপা নুংঙাইতবশিং অদু য়ামদুনসু পুম্নমক নাকলদা থন্নগা গেমস অসি মপুং ফাবা অমা ওইনা পাঙথোক্লবগী শেম-শাবা অদু লোইরে হায়খিবগা লোয়ননা ব্রাজিলগী ইন্টরিম প্রসিদেন্ট ওইরিবা মিচেল টেম্মরনা ওলিম্পিক্স অসি হাংদোক্কদৌরিবনি।

নাকল অমরোমদা রিও ওলিম্পিক গেমস অসিদা ইন্দিয়াগী ওইনা শান্নরোই ১১৯ না শরুক য়াদুনা লৈবাক অসিগী ওলিম্পিক্সকী রেকোর্দতা খ্বাইদগী মশিং য়াম্বা শান্নরোইনা শরুক য়াবা চহী অদু ওইরিবনি। মসিগা মরী লৈননা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট প্রনব মুখর্জিনা শান্নরোইশিং অমদি মখোয়বু লুচিংদুনা চৎলিবা মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিংদা য়াইফ-পাউজেল পীবগা লোয়ননা অফবা ফল পুরক্লবগী ৱারোলসু থমখি।

মপুং ওইবা ওলিম্পিক্সকী হৌদোকপগী থৌরম পাঙথোক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা শান্নবা হৌখিবা দিসিপ্লিনশিংগী মনুংদা আর্চরিসু অমা ওইখিবনি। হায়রিবা দিসিপ্লিন অসিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী



*৩১ শুবা ওলিম্পিক গেমসকী হৌদোকপদগী থৌরম পাঙথোক্কদৌরিবা চিং লেম্লবা মরাকানা ষ্টেদিয়মগী নুমিদাংগী শক্তম*

নুপা আর্চর অমখক ওইরিবা অতানু দাস ঙসি সম্বোদ্রোমা ষ্টেদিয়মদা প্রিলিমিনারি রাউন্দ পাঙথোকপদা ৫ শুবা পোজিসন্দা লৈখিদুনা শান্নরোই ৩২ গী রাউন্দগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি।

হায়রিবা ইভেন্ট অসিমক্ততা নুপাগী রাউন্দ লোইরবা মতুং পাঙথোকখিবা নুপীগী রাউন্দদা দিপিকা কুমারী অমসুং মণিপুরী মচা লাইশ্রম বোম্বেলা দেবীসু আর্চর ৬৪ না লম্বা তৌনদুনা পাঙথোকখিবা প্রিলিমিনারি রাউন্দ মায় পাক্কুনা রাউন্দ ওফ ৩২ গীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি।

নুপাগী আর্চর ওইখিবা অতানু দাস ৱার্ল্ড নম্বর ২২ দা লৈরিবা আর্চর অমনি। মহাক্না রাউন্দ ১২ লৈবা প্রিলিমিনারি কম্পিটিসন অদুদা রাউন্দ ৬ ফাওবা ফিভম শোক্কুনা পোইন্ট ৩৩৭ লৈরম্বদগী লেমহৌবা রাউন্দ ৬ অদুদা ফজবা ঙমখিবদগী পুন্না পোইন্ট ৬৮৩ ফংলগা প্রিলিমিনারি রাউন্দ অদুদা ৫ শুবা পোজিসন তাদুনা আর্চর ৩২গী রাউন্দগীদমক ক্বালিফাই ওইখিবনি।

হায়রিবা ইভেন্ট অদুদা সাউথ কোরিয়া মচা কিম বুজিন্না পুন্না পোইন্ট ৭০০ ফংদুনা অনৌবা ৱার্ল্ড রেকোর্দ অমা থম্বগা লোয়ননা অহানবা পোজিসন্দা লৈরগা রাউন্দ ওফ ৩২ গীদমক ক্বালিফাই ওইখিবনি।

নুপীগী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী আর্চর ৩ প্রিলিমিনারি রাউন্দদা শরুক য়ারকখিবনি। লাইশ্রম বোম্বেলা, দিপিকা কুমারী অমসুং লক্ষমী রানিনি। মখোয়না অতোপ্পা আর্চর ৬৪ গালোয়ননা লম্বা তৌরকপদা দিপিকা কুমারীনা পোইন্ট ৬৪০ ফংলগা ২০ শুবা পোজিসন অদুগা বোম্বেলানা পোইন্ট ৬৩৮ ফংলগা রাউন্দ ওফ ৩২গীদমক ক্বালিফাই ওইখিবনি। লক্ষ্মীরানিদি ক্বালিফাই ওইবা ঙমদনা লৈহৌখি।



*আর্চরিগী রাউন্দ ওফ ৩২ গীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবা ইন্দিয়াগী লাইশ্রম বোম্বেলা, অতানু দাস অমসুং দিপিকা কুমারী*

# শ্রিলঙ্কানা ওষ্ট্রেলিয়া থোইদুনা সেরিজ মায় পাকপগী তাঞ্জা অদু নকশিল্লক্লি

*গেল, ওগষ্ট ৫ঃ*

শ্রিলঙ্কানা য়ুম্বু ওইরগা ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নবা ক্রিকেট সেরিজগী অনীশুবা টেষ্ট মেটচ অদু মায় পাকপগী লম্বেলদা য়াম্না নক্না চঙশিল্লকপগা লোয়ননা সেরিজ লৌবগী তাঞ্জা অমা লাক্লি।

টেষ্ট মেটচ ৩ গী অহানবা মেটচ অদু শ্রিলঙ্কানা থোইখ্রবা মতুং গেল সহরদা শান্নরিবা অনীশুবা টেষ্ট মেটচকী ঙসি নিনিশুবা নুমিৎকী শান্নবা লোইশিনখিবদা ওষ্ট্রেলিয়ানা মখোয়গী অনীশুবা ইন্নিংস শান্নরকপদা বেটসমেন ৩ আওট ওইরগা রন ২৫ লৌদুনা লৈখিবদগী মখোয়না টেষ্ট মেটচ অদু মায় পাক্লবগীদমক্তা মখা তানা লৌগদবা রন ৩৮৮ ৱাৎলি। অদুবু শ্রিলঙ্কাগী মায়কৈদগী ফজবা বোল্লিংনা খুদুম চন্দুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী মকোক থোংবা বেটসমেন ৩ শুপ্নগী রন ২৫ দা আওট ওইখিবনি।

অনীশুবা টেষ্ট মেটচ অদু শ্রিলঙ্কানা টোস ঙমদুনা হান্না বেট্টিং তৌদুনা রন ২৮১ লৌখি। মদুদা টিম অদুগী ৪ শুবা বেটসমেন কুসল মেন্দিজ অমসুং কেপ্টেন এঞ্জেলো মেথ্যুজনা মথংশিংনা রন ৮৬ অমসুং ৫৪ লৌদুনা ফজবা ঙমখি।

মদুগী পাউখুমদা ওষ্ট্রেলিয়ানা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস অদু শান্নরকপদা রন ১০৬ খক লৌখি। শ্রিলঙ্কাগী মায়কৈদগী বোল্লর রঙ্গনা হেরাথনা হেট্ট্রিক ফংদুনা অমদি টিম অদুগী অতোপ্পা বোল্লর দি পেরেরাসু ৱিকেট ৪ লৌবা ঙমখি।

শ্রিলঙ্কানা অনীশুবা ইন্নিংস অদুদা রন ২৩৭ লৌখি। ঙসি নিনিশুবা নুমিৎকী শান্নবা লোইশিল্লকপদা রন ৪১৩ লৌগদবা অদু রন ২৫ লৌদুনা মখা তানা রন ৩৮৮ লৌবগী পান্দম লৈরি। অদুবু শ্রিলঙ্কাগী বোল্লরশিং অদুগী এটেক্তা ওষ্ট্রেলিয়ানা হুম্নিশুবা নুমিৎ অদু খাঙবা ঙমদনা মেটচ অদু শ্রিলঙ্কানা মায় পাকপা য়াবগী অচৌবা লম্বেল অমা লৈরি। মায় পাক্লবদি শ্রিলঙ্কানা ওষ্ট্রেলিয়াবু সেরিজ মায়থিবা পীবা ঙমগদৌরিবনি।

# অটলান্টা ওপন টেন্নিসতা ইন্দিয়াগী রাজা অমসুং সরন সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে

*অটলান্টা, ওগষ্ট ৫ঃ*

চহী অসিগী সেপ্টেম্বর থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা অরোইবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইগদৌরিবা য়ু এস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী শেম-শাবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা অটলান্টা ওপন এ টি পি টেন্নিস টুর্নামেন্ট নুপাগী দবলসকী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী জুরা পুরব রাজা অমসুং দিবিজ সরন সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী জুরা পুরব রাজা অমসুং দিবিজ সরন্না অহানবা রাউন্দ মায় পাক্লগা অনীশুবা রাউন্দদা বাই ফংদুনা সেমি ফাইনেলগী থাক অসি য়ৌবা ঙম্লকপনি।

রাজা অমসুং সরন্না ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদবা য়ুক্রেনগী জুরা এ দোলগোপোলোভ অমসুং এস ষ্টাখোপস্কি টুর্নামেন্ট অদুগী মখা তাবা মেটচ শান্নবা ঙমদনা লাকখিদবদগী ইন্দিয়াগী জুরা অদুনা ৱাল্ক ওভর ফংদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌরকপনি।

রাজা অমসুং সরন্না ফাইনেল য়ৌননবা য়ু এস কী ইউবেঙ্কস অমসুং কেনেদিগী জুরাগা আর্জেন্টিনাগী মোলটেনি অমদি জেবালোস অনীগী অথোইবগা লম্বা তৌনরগনি।

দবলসকী কাঙলুপ্তা বৃটেনগী জেমি মুরে অমসুং কানাদাগী এ সামাদিনগী জুরাবু ৬-৪, ৬-২ দা মায়থিবা পীরম্বা ব্রাজিলগী এম দেমোলিনর অমসুং স্পেনগী জি গার্সিয়া লোপেজসু টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙল্লি।

# নুপীগী রগবি ওলিপিক্স য়াওরগনি

*রিও, ওগষ্ট ৫ঃ*

৩১ শুবা রিও ওলিম্পিক গেমসতা অনৌবা দিসিপ্লিন অমা ওইনা নুপীগী রগবি কম্পিটিসন য়াওরগনি। শান্নরোই ৭। ৭ না শরুক য়াদুনা লম্বাতৌনগদৌরিবা কম্পিটিসন অসিদা ওষ্ট্রেলিয়া অমদি ন্যু জিলেন্দনা মেডল ফংবা য়াবগী অচৌবা থাজবা থন্নরক্লি। মখোয়না কানাদা অমসুং ইটালিগী টিমশিংগা অকনবা লম্বা থেংনগদৌরি। কুমজা ১৯২৪ গী মতুংদা ওলিম্পিক্সতা শান্নরোই ৭ না শরুক য়াবা ইভেন্ট অসি অহানবা ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবনি।





















Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*